হৌজিকপু লান তৌরি হায়দুনা ঐখোয় চপ-চপ লেপ্পুনা লৈরদরা? - ২

- নানি

মালেমগী ওইনা য়েংলবদা আর্ট হায়বা অসিনা লৌরিবা থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক চাউই। অদুনবু লৈবাক খূদিংমক্তা আর্ট এন্দ কলচরগী দিপার্টমেন্ট চাউনা চাউনা লৈনরিবসিনি। ইন্দিয়াদসু মসিগী কান্নবা অমদি তঙাই ফদবা কয়া অদু খঙবীরবা মতুংদ কলচর মিনিষ্ট্রি শেমদুনা চহীগী ওইবা অচৌবা বডজেট কয়া হাপ্পুনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেট কয়া অসিগী কলচর চাওখৎনবা কন্না হোৎনবা ঐখোয়না থেংনদুনা লাক্লি। মসি ইন্দিয়া খক্কী ৱা ঙাক নত্তে। মালেমদা লৈরিবা কন্ত্রি খূদিংমক্তা মখোয়-মখোয়গী আর্ট অমদি কলচরগীদমক অচৌবা শেনফমশিং কাইথোক্তুনা দিপার্টমেন্ট চাউনা চাউনা লৈনরি। লৈবাক অমগী মতিং মথৌনা মরিংজেল অমদি চাওখৎ মায়কৈদা মায় পাক্না চঙশিনবা মতমদা আর্ট এন্দ কলচর হায়বসিগী থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক চাউই হায়বসি মীপুম খূদিংমক্না খঙনৈ। হৌজিক-হৌজিক মালেমগী মচি-মচি খূদিংমক্তা লান চথরি। নোংমৈ কাপ্লদুনা মীশি-মীনা কয়া অমা থোক্লি। ইরান ইরাককী লান অদুদা ফিল্ম কয়া নমখি। ফিল্মশিং অদু মালেমগী থাক্তা পুথোরকপদা অচৌবা মায় পাকপা ওইখি। হৌজিকসু মখোয়গী ফিল্মশিং মীয়াম্না য়াম্না পাম্না য়েংনৈ। মদুদগী অনৌ-অনৌবা পাড়া কয়া তম্নদুনা অচৌবা কান্নবা কয়া লৌনরি। অচৌ-অচৌবা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল কয়াদা মখোয়গী ফিল্মশিং মায় পাকপগী পাউ লেপ্পুনা তান্নখি। হৌজিকসু পুথোকপা লেপত্রি। সিনদম্বা য়াবা ফিল্ম কয়া মালেমগী থাক্তা পুথোক্তুনা মীয়মাগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙম্লি।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লাকখিবদগী ফীভম খঙহোং হোংখ্রে। কোভিদ-১৯গী মমাঙদা মণিপুরী ফিল্মগী মার্কেটকী মতাংদা মখল কয়াগী দিস্কোর্স তৌদুনা খন্ন-নৈনখ্রে। অদুবু মরিক চুম্বা অমদি মহয় ফংবা ঙম্বা ফলদি অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। হৌজিক অমুক হেন্না লুশিল্লক্লিবনা, কোভিদ-১৯গী মতমদগী খূৎ থাবা লেপ্লুরবা মখল কয়াগী পর্ফোর্মিং আর্টশিং (শুমাং লীলা, মতম ঈশৈ, থিয়েটর নচিংবা) অমদি মণিপুরী ফিল্মগী খূৎলেংবশিংনা মাগী মাগী অনৌবা আইদিয়া কয়া পুথোক্লদুনা অনৌবা মীৎয়েং অমদা পুথরুরবা কয়া ফুক্কত্তুনা মাঙলুরবা ফিল্মগী মহাও অমা ইনৌ নৌনা পীনবা থৌরাং তৌবা হৌগৎলকপদা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌনা লমদম অসিদা অচৌবা ঈ-নাই তাবা ঈহৌ, ঈরাং অমা হৌরক্লি। ঈরাং অসিনা অমুক মরম ওইদুনা ময়োল চোংলকপদা ঙাইরিবা ফিল্ম অমদি অতৈ মখল কয়াগী পর্ফোর্মিং আর্ট কয়া মরাই চাইথরক্লি। হৌজিক মায়কৈ খূদিংমক চপ-চপ লেপ্পুনা লৈরে। মসিদা শাগোন্নরিবা আর্টিষ্ট কয়াদি লেন্না কুংনা তারক্লবদা মকোক্তা খূৎ হাপ্পগা চপ মান্নরে। খূৎনা খন্দুনবু কয়া য়াম্না খনবা ঙমগদগে, মায়কৈ খঙদনা ফুন্ধরক্লিবা লেননা হকচাংগী মফম কয়াদা মায়দা মীৎতা তান্ন-তান্নদুনা থোম্লগা চপ মান্নরে। পর্ফোর্মিং আর্ট তৌজবা ফিল্ম তৌজবা, ঈশৈ-নোংমাইশকচবা কয়াগী পূন্সি অৱাবগী মশক্লি। অসি য়ৌনা ৱারে হায়দুনা তেংথাবদুদি নত্তে। লান হায়বসিদি মীপুম খূদিংমক লোইনা ৱানরিবনি। ময়ামদুগী মনুংদা অতৈ শিনফম অমত্তদা মায়পুননা খূৎ থাহৌদ্রবা আর্টিষ্টশিং অসিগী অৱাবসু অঙকপগী চৈথেং অমনি হায়না থমজগে। মতাং অসিদা ৱাফম অমত্তগা মপা চান্নন থমজহৌবা তারবদি, লানগী চৈথেং অসিদা মতম চুপ্পদা শাগোন্নদুনা লাক্লবা, ঈশাদা নত্তনা ইমুং-মনুং, ইচা-ইশু কয়াগী পূন্সিগী মঙাল পীরম্বা ঐগী ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট কয়া অমা থাদোক্তুনা হিংনবগীদমক য়োম্থোক্লে হায়দুনা ফোঙদোরকপসি অচুম্বসু ওইরমগনি অদুবু মদুগী ৱাহৈ অদুনা অতাবশিংগী থম্মোয় শোকহনবদি ঙল্লগসু, থৱায়গুম্না শাগোন্নরক্লবা অদুমদি উপায় অমা তৌদুনা থাদোকহন্নিংদে। পায়খিগদবনি হেক ঙল্লিবমখে। ঐগী ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অদুনা, ঐগী ইশাদা লোয়নজরিবা আর্ট অদুনা মীয়ামদা করি পূক্নিং ৱাখল্লোন অমদি করি অনৌবা য়েন্নিং অমা চোংহনবা ঙল্লিবগে হায়বদু চাংয়েং তৌখিগদবনি।

১৮৯১দা মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লান থোকখি। মীপুম খূদিংগী পূন্সিদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি। লান অদুবু হকথেংননা উহৌবা ধোবি লৈনৌ কৌবা অহল ইবুংঙো অমনা মপূক্নিংদা লান অদুগী শক্তম অদু নীংশিং-নীংশিংদুনা মমিৎতা মপি তানা কয়ারক হন্না কপখি। মহাক্কী কপ্পগী খোঞ্জেল অদু নুংহিক্লবা খোঞ্জেল ওইনা থোরকখিদে। মঙোন্দগী থোরকখিবা খোঞ্জেল অদুনা খোংজোম পর্ব হায়বদু ওইরকখি। মখূৎতা কৌটা অমা পায়রগা, মমৈদা ধোলক মচা অমা পায়রগা তান থা-থাদুনা লানগী শক্তমশিং অদু নীংশিং-নীংশিংদুনা ঈশৈ ওইনা মায়কৈ শিনবা থুংনা শকখি। মীয়ামদা অনৌবা ৱাখলগী মায়ওন অমা নেসনেলিজম অমদি পেট্রিওটিজমগী সেন্স অমা চপ চানা ফাওহনবা ঙল্লি।

ঙসিসু ঐখোয়দা খোংজোম পর্বনা ৱাহং কয়া হংলি। নেসনেলিজম শাগৎনবা হোৎনবদা খোংজোম পর্বনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌদুনা লাক্লি। কয়াদা মতিক ময়াই চেনখ্রবা ঐখোয়গী আর্টকী মরিক চুম্লবা পোথোক অমা ওইহনখ্রবনো? করিগুম্বা খোংজোমগী লান অদুনা থোক্লমদ্রবা, অহল ইবুংঙো ধোবি লৈনৌনা লান অদুবু উহৌদ্রবা মণিপুরদা খোংজোম পর্ব শুংলে লৈরম্লোই। মালেমদা অতাঙবা পর্ফোর্মিং মণিপুরী আর্ট ফোর্ম অমা ওইনা শক খঙনরিবা খোংজোম পর্ব মণিপুরগী অরোইবা নীংতম লাননা পীবা খুদোলনি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মণিপুরদসু য়ৌরকখি। মণিপুরদা বোম থাদরকখি। মীওই কয়া অমা শিবা শোকপা য়াওখি। অদুদা নত্তনা- বৃটিশ-ইন্দিয়ন লান্মী কয়ানা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা শন্দোকখি।

নোংমৈ মখল কয়া কাপখি, লানগী এরোপ্লেন কয়া ঙংদুনা পাইরকখি। বোম হন্না হন্না থাদখি। ইম্ফাল মনুংদা লৈবা য়ুম অয়াম্বা লৈবা ঙম্নদদুনা লানগী শমিন খরা শোনবা মফম কয়াদা পূন্সি হিংনবা হোৎনখি। মতম অদুদনি, মণিপুরী থিয়েটরগী মনম পাক শন্না শন্দোকখি। ইম্ফালদা লৈবা থিয়েটর পামজবা ওজাশিং অদুনা মানা লান চেল্লিবা মফমদুদা লৈরিবা মীয়ামগা পুনশিন্দুনা লীলা কয়া তৌখি, চপ মান্নবা মওংদা মণিপুরী শুমাং লীলাগী মশক অমা ওইখিবা ফাগী লীলা কয়া অমসু মায়কৈ-মায়কৈদা শন্দোকপা হৌখি। মদুনা ঐখোয়গী আর্ট কয়াগী মশা তাশিনবা ঙমখি। মসিদা নত্তনা ঈশৈ মখল, জগোয় মখল কয়া (মরবাক জগোয় হায়নসু খঙনবা) কয়া অমা থোরক্তুনা মপান্দগী লানগী লান্মীশিংগী মমাঙদা ইন্টরটেনমেন্ট পীখি। মখোয়না শেল, অচা-অথক কয়া পীদুনা পূন্সি হিংনখি। লোয়ননা ঐখোয়গী আর্টকী ময়োল চোংহনবা ঙমখি। পুম্নমকশিং অদু লাননা পীবা খুদোল ঙাক্তনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মীৎয়েং অসোমদা য়েংলগসু ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈজরিবা আর্ট অসিগী অফবা মরম অমগী চাংয়েং কয়া অহলশিং অদুগী খুদুং ইন্নবা হোৎনবা য়ারি খল্লি। পুম্নমকশিং অসি কোক অমদি পাঙ্গল চঙই। হিংবদা শেল মথৌদি তাই অদুবু মদু পুম্নমক খাঙবা কনবা হায়বা থৌনা অদুনা য়োল্লবদি ঐখোয় হৌজিকসু করি-করিনো খরদি শিনবাংবা য়াই খল্লি। অসি হায় হায়দুনা ঐখোয় আর্টিষ্ট পুম্নমক ঐ-ঐগী ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট পায়খৎলগা খোংদুনা, জগোয়-ঈশৈ তৌদুনা অদুম লৈরসি হায়বদি নত্তে। হিংবদা চঙলিবা শেনফমশিং করম্না ঐখোয়গী আর্টিষ্টশিংদসু ফংহনবা য়াগদগে অসিগা লোয়ননা ওইরিবা ফীভম কয়া অসিদা অৱাবা তারবা মীয়ামগী পূন্সি অমদি মখোঙ পুথরিবা লৈঙাক অসিদসু করম্না শৌগৎহনবা য়াগদগে হায়বগী কাঙলোন অমা পুথোকপা য়াই। মদুগী মতাংদা মথংগী ইস্যুদা মখা তাজরক্কে।

অখন্নবা কলচরেল পোলিসী শেম্বীদুনা আর্টিষ্টশিংবু য়োকখৎপীয়ু : অমাক্সু

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর আর্টিষ্ট এন্দ কলচর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অমাক্সু)গী জেনরেল সেক্রেটরি এল নর্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মণিপুরগী ওইনা অখন্নবা কলচরেল পোলিসী অমা শেম্বীদুনা আর্টিষ্টশিংবু য়োকখৎপীয়ু হায়রক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, লমদমসিদা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ঙসি ফাওবা চথুরক্লিবা থা ১০ শুরক্লবা কাঙলুপকী ঈরাংসিনা লমদমসিগী য়ুম-কৈ, লন-থুম অমদি মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙহনখ্রে। হৌজিকসু মীওই কয়া অমা খুল, লৈকায় ঙাক্তুনা ইরমদমগীদমক লাম্থেংনরি। লানসিদা লমদমসিগী জগোয়-ঈশৈ, লীলা-দ্রামা, ফিল্মনচিংবা তৌজরিবা তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্মদা লৈবা আর্টিষ্ট ময়াম্নসু অঙম্বা মতেং কয়া পাঙদুনা লাক্লি। লানসিগী চৈথেংনা মীওই কয়া হিংবগী লানফমদা লাম্থেংনরি। হিংনবগী লাম্থেংনবদা লমদমসিবু শক্তাক্লিবা আর্ট তৌজরিবা মীওই কাঙলুপ অসিগীসু অচৌবা লানফম ওইরে। মশানা পায়বা ইন্সত্রুমেন্ট ফাওবা য়োনবা য়াওরে। জগোয়, ঈশৈ, লীলা-দ্রামা, ফিল্মনচিংবা কয়া লেপখিবা, কুম্মৈ-হরাও, লাইথৌ-তিম্থৌগী থৌরমশিং পাঙথোক্লুরক্তবসিনা আর্টিষ্টশিংনা হিংনবগী লানফমদা অচৌবা চৈথেং অমা মায়োক্লরে।

চৈথেংসিনা মরম ওইরগা আর্টিষ্টশিংনা মশা-মশাগী শিনফমসিদগী নাথৈদুনা অতোপ্পা লম্বীদা চৎখিবা তারবদি লমদমসিগী কলচর অমদি আর্ট ফোর্মনচিংবশিং মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। লমদমসিদা মতম-মতমগী ওইনা খূৎশেমগী ওইনা অমদি মহৌশাগী ওইবা লৈবাক্কী ঈরাং কয়ানা আর্টিষ্টশিংদা তত্তনা অৱা-অনা কয়া মায়োক্লহল্লক্লি। অসিগুম্বা অৱা-অনাশিংসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী অখন্নবা পোলিসী লৈতবদগী অকুৎপদা লৈতৌবা অতোংবদা লৈথোনবগুম লমদমসিগী ইনাক খুল্লবা জগোয়-ঈশৈগী মশক মাঙশিল্লক্লবদি খুন্নাইসি লৈখা তারকপগী অকিবা লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা লমদমসিদা আর্ট তৌজরগা হিংজরিবশিংগী অৱাবসি কোকহন্নবগীদমক লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা আর্টিষ্টশিংবু হিংহন্দুনা মতিং থোকপা লমদম অমা ওইহনবীয়ু হায়রি।

হৌজিক-হৌজিক্কীদা নত্তনা অশানবা তুং কোয়বা মীৎয়েংদা কলচরেল পোলিসী অমা শেম্বীদুনা আর্ট এন্দ কলচরগী মপাঙ্গল হাপ্পবা লমদমসিগী আর্টিষ্টশিংগী ওইবা লম্বী শেম্বীদুনা আর্টিষ্টশিংবু হিংনবগী লম্বী পীবীদুনা আর্ট এন্দ কলচরবু হিংননবা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বীয়ু।

ইরমদমসিবু মশক তাকপদা কলচর অমদি স্পোর্টসনা অচৌবা মফম কল্লি হায়বসি মীয়াম্না য়ানরবা ৱাফম্নি। অদুবু কলচরগা স্পোর্টসকা য়েংনবদা অদুক্কী মতিক খেন্ননা লৈরি। স্পোর্টসকী লমদা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্ত মেদল লৌরকপা শান্নরোইশিংদি লৈঙাক্না হরাও-তয়াম্না ওকপীদুনা মশাগা চান্নবা থবক পীবীদুনা পূক্নিং থৌগৎপীরি। অমরোমদা, কলচর তৌজরিবা কয়ানা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা অচৌবা এৱার্দ কয়া ফংলক্লগসু মখোয়দদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থোইদোক্লা মীৎয়েং চঙবীবা উদ্রি। মরম অদুনা আর্ট তৌজরিবা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংবুসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙবীনবা অমাক্সুনা গভর্ণর অমসুং মরী লৈনবশিংদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়রি।

কাচিখুল কারোং সী পি আই ব্রাঞ্চগী ৫০শুবা চহীগী কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস) : ঙসি কাচিখুলগী কমরেদ সোভাগী শঙ্গোয়দা সী পি আই কাচিখুল কারোংগী ৫০গী চহীগী ব্রাঞ্চ কনফরেন্স কমরেদ সোরাইশম ইরাবত, ব্রাঞ্চকী ভেটরান লিদরনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী ওফিস সেক্রেটরি টি ঐচ রোবিন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, ঙসিগী মীফমদুদা পার্টিগী ষ্টেট এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন কমরেদ এম জয়কুমার লুৱাং, কমরেদ সিলা লমশাং লোকেল সেক্রেটরি অমদি কমরেদ এল ইনাওচা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরিনচিংবসু শরুক য়াখি। ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট অমদি ষ্টেটনচিংবগী লিদরশিংগী মমাঙদা ব্রাঞ্চ সেক্রেটরিনা চহীগী ওইবা ওর্গনাইজেসন অমসুং পোলিটিকেলগী ওইবা থবক্কী রিপোর্ট থমখি।

কনফরেন্স অদুদা লোকেল সেক্রেটরি সিলানা কাচিখুল অমদি কারোং খুঙ্গংসি লৌমীনা হেন্না খুন্দাবা খুল অমনি। মরম অদুনা লৌমী ঐখোয় লিংজেল মান্নবা চঙই। লৈবাক্কী ওইবা থৌদাংগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম থল্লদুনা লিংজেল মান্নরবদি কোওপরেসন লিংলবসু, থবক অমবু তৌরবসু খুঙ্গংসি চাওখৎপা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি কমরেদ ইনাওচানা কম্যুনিষ্ট লৈবাক কয়াদা সোসিএলিজমগী থিওরিনা লৈঙাক্কী থৌদাং লৌবা মতমদা লায়ররম্বা লৈবাকশিং চাওখৎলে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, ভিয়েটনাম হায়বা লৈবাকসি য়ু এস এনা চহী ২০/৩০ চুপ্না লান তারম্বগী অৱাবদুসু কম্যুনিষ্ট রেভোল্যুস্নরিশিংনা লাম্থেংনদুনা নীংতম্বা ফংখি। কম্যুনিজম থিওরিনা নীংথিনা লৈঙাকপদগী ঙসিদি পীক্লবসু পীক্লা মালেমদা মমিং লৈবা লৈবাক ওইরে। ইনি দয়াদা চেঙ ফাওবা পীকখ্রবা লৈবাক অসিনা য়োল্লক্লে। মদুগী মরমদি সোসিএলিজম সিষ্টেম চলাইবা খক্তনা ঙল্লক্লিবনি হায়খি।

কমরেদ জয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, কম্যুনিষ্ট করম্না মালেমদা খোঙদারকখিবা অমসুং শুরিনোল্লিবা শিন্নী মীয়ামগী হোৎনজমল অমসুং ষ্ট্রগলনা ঙসি মালেমদা কম্যুনিষ্টনা লৈঙাক থৌগাই পুবা মান্নবা খুন্নাইগী চৎন-পথাপ চৎখিবা, মী অমনা অমবু ওৎ-নৈদবনচিংবগী মতাংদা মরিক চুম্না ঙাংখি।

এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী মীৎয়েং মখাদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮দগী হৌরদুনা মার্চ ৪ ফাওবা চৎথগদবা ওল কক্চিং খুনৌ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অকুকো) কক্চিং খুনৌনা জোইন্ট দিরেক্তর দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিস থৌবাল, কক্চিং এন্দ কক্চিং খুনৌ ভেটিরিনরি হোস্পিটাল উমাথেলগা খূৎশম্নদুনা কক্চিং খুনৌ ভেটিরিনরি উমাথেলদা এন্টি রেবিজ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোরক্লি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮গী অয়ুক পুং ৭.৩০ দগী হৌখিবা প্রোগ্রামদুদা হূই ৬১ হিদাক কাপথোকখি। অনীশুবা নুমিৎ ফেব্রুৱারী ২৯দনা হূই ৮৩ অমদি হৌদোং ২ ভেক্সিনেসন কাপথোকখি। ঙসি এস ও দি এগী গ্রাউন্দদা হৌদোং ৩, হূই ৬৭ হিদাক কাপথোকখ্রে। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামসিদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিসকী ওইনা ডা. ৱাই গীতা ভেটিরিনরি ওফিসর অমদি ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

অমুকোগী মরু ওইবা থৌমীশিং, কক্চিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী থৌমীশিং, এস ও দি এ ক্লব কক্চিংগী থৌমীশিংনা শরুক য়াখি। পাঙথোক্লিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামসিগী কান্নবা মীয়াম্না লৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস) : ইকো-নেটৱার্ক হৈরোক্না লেপ্পুনা চথুরক্লিবা রিভর রেজুভেনেসন কেম্পেন অসি হেন্না মায় পাক্লবগীদমক পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ঙসি হৈরোক পার্ট টু ময়াই লৈকায়দা লৈবা দিভাইন লাইফ ক্লব (দি এল সী)গী কম্যুনিটি হোলদা প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট হায়বা হীরমসিদা ইকো-নেটৱার্ক হৈরোক, নিঙোল ক্লব হৈরোক অমসুং দিভাইন লাইফ ক্লবনা পুন্না খূৎশম্নদুনা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা থাংজম এগ্রো ইন্দষ্ট্রিজ প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্তর থাংজম জয়কুমারনা অথোইবা মীথুং, দিভাইন লাইফ ক্লবকী প্রসিদেন্ট রোসন নিংথৌজমনা থৌরম মপু অদুগা ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স)গী জেনরেল সেক্রেটরি পুনিল অঙোম, হৈরোক অপূনবা ক্লবকী কনভিনর রোসন থৌনাওজম, ক্ষিস প্লাষ্টিস ইন্দষ্ট্রিজগী প্রোপ্রাইটর কে এস ঐচ ইবোচৌ, ট্রেদর্স এন অশোক, এল্লাইয়েন্স ফোর দিভেলপমেন্ট অল্টর্নেটিভস মণিপুর কক্চিংগী সেক্রেটরি অমসুং অঙান চীং ইকো পার্ককী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর সুরজিৎ ক্ষেত্রিময়ুম, চার্টর এক্কাউন্টেন্ট চোংথাম সঞ্জয়না অথোইবা মীথুংশিং ওইখি।

হৈরোক দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি জেনরেল হিজম দিনেশ, য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম উমাকান্ত অমদি ৱিমেন দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি সুনিতা নিংথৌজমনা অখন্নবা ইনভাইটিশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরমদুদা দেবচান্দ ইন্দষ্ট্রিজগী কো-পার্টনর বেলে অসৈবম, দেবচান্দ প্লাষ্টিক ইন্দষ্ট্রিজগী মেনেজিং দিরেক্তর দেবেশ্বর ইরোমসু শরুক য়াখি হায়রি।

ঙসিগী থৌরমদুদা জয়কুমার থাংজমনা হায়খিবদা, সাইন্টিষ্টশিংগী মোত মতুংইন্না মীওইবদা খ্বাইদগী কান্নবা পীরিবশিংগী মনুংদা প্লাষ্টিক অসিসু অমনি। অদুবু মসিনা মালেমগী ওইনা অচৌবা অমাঙবা অমা ওইরক্কদৌরি হায়না ফোঙদোকখি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯲ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯲ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

[illegible]/ইঙ্খোল অমা থাদোকচরি

অথুবগী ওইনা পোইন্ট ৫ (৩১ পাকপা ৬৮ শাংবা) ইঙ্খোল অমা থাদোকচরি। স্কোৱার ফিটতা ১৩৫০ লম্বোইখোংনাংখোঙ (ট্রেদ এন্দ এক্সপো)।

HL-P/9812/03 Contact No. : 6009400490, 8131901428

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
P.T	10.50	1,500	15,750
		2,000	21,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
4th Class	4.00	1,500	6,000
		2,000	8,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			3,500

Contact No. 7005513073 / 6009512716

HL-P/9648/18-29feb/1-18march

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRIBAL AFFAIRS & HILLS
[illegible]/NOTIFICATION

Imphal, the 29th February, 2024

No. 12/PMS-FORMS/2012-TA&H: It is hereby to inform all concerned that, Notification for online submission of application for availing ST Pre & Post – Matric scholarship for the year 2023-2024, notified vide Notification No. **12/PMS-FORMS/2022-TA&H dated 11.12.2023**, is extended further up to **15.03.2024** as per the schedule provided below:

The Last date of online submission details will now be as given below:

Category	Scheme closing date	Defective Application Verification Date	Institute Verification	DNO/SNO Verification
(1)	(2)	(3)	(4)	(5)
(a) Pre-Matric	Open till **15-03-2024**	Open till **28-03-2024**	Open till **28-03-2024**	Open till **15-04-2024**
(b) Post-Matric	**-do-**	**-do-**	**-do-**	Open till **15-04-2024**

2. Therefore, all Students/Principals/HODs/DNOs of various institutes located in Manipur and outside the State are directed to complete their application and verification process well on time before the expiry of the extended dateline.

3. Issued in public interest and for compliance by Students / Institutes heads.

Sd/-
ST Rithung Anal
Addl. Director,
Tribal Affairs & Hills, Manipur

HL-B/8590/1,2,3 March.

Apollo Academy [illegible]
Kwakeithel Bazar, Airport Road-01
(In touch with Shri Cheitnya)
Registration is going on for
NEET (UG) - 2024
50 - DAYS CONDENSE COURSE
Class starts : 11th March, 2024 Session : Morning & Evening
Course fee: ₹ 10,000
Two months Hostel feeship free for
(a) Relief camp NEET -24 aspirants and (b) Students scoring 85% and above in HSLC-2022.
Special Features:
✓ Daily practising problems
✓ Class duration: 1hr. & 15 min.
✓ Daily 4 classes: Phy, Chem, Bot, & Zoo.
✓ Mock test on every Sunday
✓ Explanatory (solution) classes after tests
✓ 2 Mega Mock test (XI Sc. & XII Sc. section)
Forms Available:Apollo Office, Kwakeithel, Near Amuco Office (9am. to 3p.m.)

HL-B/8518/22 to 15 March Alt.

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।০৩।২০২৪ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৮.৪৫ ফাওবা ফাইরেলগী ২২নি পাল্লি, মতুংদি ২৩নি পাল্লনি।

মেষ: মিংচৎ অমদি লন ফংগনি। হকচাং নুংঙাইনা থৌ পাঙবা ঙমজগনি, মীনসু কিনগনি। নীংবা খুদিংদি পাঙলোই-চরাংনরদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংগী- থাগৎপীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

বৃষ: লাইবক থোইনা ফগনি-অনৌবা থবক্তা খূৎচাও থাবা য়াগনি। থবক শীন্দোকপা হৈবা, থৌনা লৈবা, ইকায় খুম্নবীবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

মিথুন: ঙসিসু লাইবক ফগনি, ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজগনি। য়েক্লবনা থবক্তা য়েংথিবা খরা লৈরসু লৌশিং অমদি অচুম্বনা ঙমজগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংজবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কর্কট: মরী-মতা নত্রগা য়াম্না নক্লবশিংতগা লোয়ননবা হোৎনৌ। নীংথিনা য়াৎথোক্লবা থবক্তমক পাঙউ। হূ অমদি মৈদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- পূক্নিং ইপেন পেল্লোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: অফা-অপুন্নবা, নুংশাথিবা অমদি ইকায়-নুংশি য়ান্নবা থৌদোক থোকপা য়াবা লৈ। লৌশিং চাউবগী ৱালৌ, য়াকা য়েংনা চৎলু।
লৈশা পাখংগী- অনীংবা ফোঙদোকপা য়াদ্রি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

কন্যা: মরুপ অফবা তাঙবা অমদি লৌশিং থোকপা ৱাৎপা লৈরসু নীংবা থুংগনি, ওইজবা ফংগনি, মিংচৎ ফংগনি, হকচাং নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

তুলা: থাজদবা কান্নবা খরা ফংগনি। ঙাংবা-শকপা পকচবা, অফবা লৌশিং থোকপা নুমিৎনি। চরাংনবা অমদি নাপল তৌবনদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: লাই-গুরুনা চানবীবা, ওইজ-ওইথক ফংজবগী নুংঙাইজবা লৈ। য়ুম/মীয়ামগী মতেং ফংগনি। নাপল তৌরদি মরুপ কায়ননি।
লৈশা পাখংগী- পূক্নিং মকা লামগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

ধনু: অরং-অরাক ফংজবা, পোরম শীন্দোকপা হৈবা, লৌশিং তানশিনগদবা নুমিৎনি। নকস্থিনা নরল মাঙহঞ্জবা, চরাংনবনা কায়নবদি লৈ।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মকর: নীংবা থুংগনি, পাউ নুংঙাইবা তাজগনি, অরাপ্পা চৎপা কান্নগনি। পল্লম্বা থবক, নচা-ননাই, মীয়ামগী মতেং ফংবগীসু নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কুম্ভ: য়েক্লববু ঙমদুনা থবক পাঙগনি। নোংল্লক্লা চৎত্রদি শকখঙবা লোয়নবা হৈত্রদি নরল ময়েং তাগনি। নীংথিনা খম্থরদি ওইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

মীন: হোয়া ফবা, অনম তানবা থাদোকউ। য়াকা য়েংনা খুদোং চাবদা থৌনা ফুদোকপা অমদি ইমুং-মনুং/মরুপকী মতেংনা চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংগী- তায়ওন্নগনি-মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।